## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

কার্উন্সিল ওফ টিচর্স এসোসিএসন (কোটা)গী কোর কন্মিতিগী মীফম অমা চহীসিগী জুন ১দা পাঙথোক্লগনি হায়না কোটাগী পব্লিসিটি সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, আর ও পি ২০১৯ নন রেক্টিফিকেসনগী মতাংদা অমদি হৌজিক লৈরিবা ইশু কয়াগী মতাংদা কোর কন্মিতিগী মীফম অসিনা খন্ন-নৈনগনি। খুয়াথোংদা লৈবা জোন ১গী ওফিসতা চহীসিগী জুন ৩গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মীফম অসি পাঙথোক্কনি। কোটাগী জোনেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট একজিক্যুটিভশিংনা মীফম অসিদা মতম চানা লাক্কুনা শরুক য়াবিয়ু।

কোটাগী কোর কন্মিতিগী মীতিং অসিদা আর ও পি ২০১৯ নন রেক্টিফিকেসনগী ইশু অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু নৈনগনি। অসিগুম্বা মীফম অসিদা কোটাগী একজিক্যুটিভশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ইশু অসিগী মতাংদা খন্নগদৌরিবা অসি মপুং ফাহনবীয়ু। চহীসিগী জুন ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটাগী কোর কন্মিতি মীতিং অসিদা মতম চানা য়াওবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱার এগেন্স দ্রগ ৱাহন্থোক য়াওদবা ৱার ওইরে : ক্লব

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

লৈঙাক অসিগী ৱার এজেন্স দ্রগ ৱাহন্থোক য়াওদবা ৱার ওইরে হায়না নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী জেনরেল সোফিয়া খুন্দোংবমনা ফোঙদোরক্লি।

সোফিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগকী অচৌবা চৈথেং নংলি। লমদম অসিগী মীয়াম মপুং ওইনা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা ঈরাক্ত দনা মীওই কয়াগী মমল য়াম্লবা পুন্সি খাঙুথক্তা মাংখ্রে। কয়া অমনা হিংবগী মহাও য়াওদনা লৈরি। চহী নৌরিবা নুপী কয়া খুৎশেমগী লুখ্রাবী ওইনা লৈরি। লৈঙাক্লোন অমদি শেন্মীৎলোনদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইনা লাক্লিবা অসি খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্লবা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা অকনবা লান চঙশিল্লক্লিবা পাল্লিবা লৈঙাকসিদা ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা কেস খক্তগী ওইবা ফর্স্ট ট্রেক কোর্ট ফাওবা লিংখৎখ্রে। লৈঙাক অসিগী ওইনা ৱার এজেন্স দ্রগ হায়বা কেম্পেইন চথদুনা য়াম্লবা দ্রগ কয়া ফাগৎতুনা লাক্লি। ময়াই কাবা দ্রগ ফাগৎলিবসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংদ্রবদি মদুগী কান্নবা করিনো।

এ দি সী চান্দেলগী চেয়রমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌগী ক্বার্টরদগী য়াম্লবা ময়াই কাবা দ্রগ ফাবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এন এ বিগী এদিস্নেল এফ সী ট্রান্সফর তৌখিবগী মরম করিনো। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চম্মন্নবা পোকহন্দুনা লাক্লি। লৌতুনবা মানবা থৌওং অসিনা মথৌ মশক খঙবা খুন্নাই অসিগীদমক পুকচেল শেংনা থবক তৌরিবা পুলিস ওফিসার কয়াগী ৱাখল হন্থহল্লগনি। লুখোসৈ জৌদগী য়াম্লবা ময়াই কাবা দ্রগ ফাখিবদুগী ওরিজিনেল সেম্পসল মাংহনখিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মমাঙদসু মীওই অসি বেল পীরবা মতুংদা চহী অমা হেন্না লোৎলুরবা তুংদা চহীসিগী ফেব্রুৱারীদা সরেন্দর তৌরকখিবনি। ময়াই কাবা দ্রগকী কেসতা চেন্নবশিং বেলদা থাদোকপা য়াদনবা অকনবা এক্ত শেম্নগী ৱাফম থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। এক্ত শেম্মীদ্রবদি ময়াই কাবা দ্রগকী ৱাথোক লুম্না লৌদে হায়বা তাকপনি। ময়াই কাবা দ্রগকী কিংপিন চৈরাক পীদ্রবদি অসিগুম্বা কয়া অসিনা লমদম অসিদা দ্রগ লল্লোনবা হেনগৎলক্কুনা চৈথেং ফংলিবনি হায়খি।

## চারা তাল্লিবশিংদি কোভিদ-১৯ নাবদগী হেন্না শোক্লে:ইবেয়াইমা

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

কৈথেল ফম্নগা নোংমগী চারা তাল্লিবশিংদি কোভিদ-১৯না নাবদগী হেন্না শোকচিল্লে হায়না ময়াংলং ফিজোইনুপী লুপ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরী ৱাই ইবেয়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক্তগ পাউমীশিংগা উনবদা ইবেয়াইমনা হায়খি, কৈথেল ফম্বীশিং অদুক্কী মতিক ৱারে। লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু, য়ুনিয়ননা ফিরেপ লৌরক্লগনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি। কৈদৌঙৈ লোইগনি খঙবা ঙমদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা থবক কয়া অমসু পায়খৎলি। মসিদা কৈথেল ফম্লীবী ইমা ময়াম কৈথেল ফমহন্দবা হায়বসিনা কোভিদ থিংবা ঙমগদৌরিব্রা। ইমুং পুরিবা ইমা লিশিং কয়ানি। কোভিদ-১৯ নাবদগী হেল্লবা ইমুং ঙাক্তা ওইরে। লৈঙাক্কী থবক তৌবদি তলব লেংদনা ফংবনিনা ৱাদে। কৈথেল ফম্বীবীগী অৱাবা কৈথেল ফমদবশিংনা খঙলোই। মণিপুর লৈঙাক্লা কৈথেল ফম্নবা থৌরাং শীনবীয়ু। ইন্টর্নেসনল মাদর দে থৌরমদা সী এমনা ইমা কৈথেলদা লাক্কুনা থাগৎ ৱাহে হায়রম্মী। ইমাগী অৱাবা অসি সী এমনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়খি।

## এন এফ এস এগী চেঙ চীংথোকপা হৌরে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

লোকদাউনদা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতম চানা চান-থক্লবা পোৎলম ফংহন্নবগী পান্দমদা মে অমসুং জুন থাগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়েন্থোক্কদবা পি দি এসকী চেঙ চীংথোক্লরি।

চেঙ অমদি তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবকসু পায়খৎলি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ঙসি হৱাই ক্বিন্টল ২১৭.১ চিংথোকখিবগা লোয়ননা ৱাঙ্গোই, য়াইস্কুল, লংথবাল, নাওরিয়া পাখঙলাকপা, ময়াং ইম্ফাল অমদি সেকমাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এন এফ এস এগী মখাদা য়েন্থোক্কদবা জুন থাগী চেঙ চিংথোকখি। এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি মরিগী চেঙ চীংথোকপা লোইখ্রে। হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি খুরাই এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ২১২৪.৭০ অমসুং লম্লাই এ সীগী ক্বিন্টল ১৯১৮.০৫নি। থোংজু এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ২০৯৭.৩৫ অমসুং খুন্দ্রাকপম এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ১৭৬৪.৪৫ মাংজৌননা চীংথোকপা লৈখ্রে।

মে থাগী ওইনা ওপন মার্কেট সেল সিষ্টেমগী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ২ শঙ্গাইয়ুম্ফম পুলেপোকপী দিভিলপমেন্ট এসোসিএসনগী খুথাংদা মীয়ামদা য়েন্থোকখি। ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা মতম চানা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্দুনা লাকখিবনি।

## মোদি ২.০না চহী ফারকপা তরাম্না ওকই : বি জে পি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অনীশুবা টার্মগী অহানবা চহী মপুং ফারকপবু তরাম্না ওকই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অমনা হায়, দাইনামিক লিদরসিপ ওইরিবা মোদিনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা থবক কয়া পায়খৎখি। ত্রিপল টলাক রিপিলিং ওফ আর্টিকল ৩৭০ বাই পার্লিয়ামেন্ট, ক্রিয়েসন ওফ সেপরেট ষ্টেট ওফ লদাখ এজ য়ুনিয়ন টেরিটোরি, রাম জন্মভুমিগী কুইনা য়েৎনদুনা লাক্লবা মন্দির শানবগী অয়াবা ফংখিবা, ইন্দিয়াদা লৈবা রিফিয়ুজিশিংগী সিটিজন ওইরক্লবগী সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্টগী এক্ট পাস তৌখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিংনি।

কোভিদ-১৯ থোরকখিবদগী মালেমদা লৈরিবা লৈবাক কয়ানা ফেক্টরি ওফিসশিং চাইনাদগী হোংদোক্লগা ইন্দিয়াদা লাক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা হৌরকখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা মপান লৈবাকশিংগী অচৌবা ফেক্টরিশিং লিংখৎলক্কুনা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়াগী শুফম-নোম্ফম ফংলগনি খনবদা নুংঙাইবা অমনি। ইন্দিয়াগী মীওই খুদিংমক্নসু ইশানা পুথোকচবা ইরমদমগী পোৎ পুথোক্কুনা মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্না লেপমিন্নসি। মায়কৈ অশোমদা চংশিনমিন্নসি। মোদিগী অনীশুবা টার্মগী অহানবা চহী মপুং ফারকপগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিগী ৱার্কর খুদিংমক্লা ঙসিদগী জুন ৫ ফাওবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মন্দলশিং, দিষ্ট্রিক্টশিং, প্রদেশ থাক্তা পাঙথোক্কদৌবা থৌরমশিংদা শরুক য়াবিয়ু হায়নসু মখা তারি।

## অফবা স্কুল ওইহন্নবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ হায় স্কুলনা শীথরক্লিবসিগী মতাংদা মীফম ফম্বগা লোয়ননা অমুক হিঙ্গৎহন্দুনা অফবা স্কুল ওইহন্নবা ৱারেপ্লখ্রে।

লমদম অদুগী ক্লবশিং, সোসল ৱার্করশিং অমদি ওজাশিং য়াওনা স্কুল অদুগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চরাংপাৎ জি পিগী প্রধান এস ইমো, এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী দালিট সেনাগী প্রসিদেন্ট কে জাদুমনি, কে চরাংপাৎ হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর ইন চার্জ এস ইনাওবী, থবক্তগী পোথাখ্রবা হেদ মাষ্টর এস তোমচৌ, সোসল ৱার্কর টি ঐচ মাইমুনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, শোথরবা স্কুল অসিগী ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবা অমুক হন্না কন্মিতি অমা শেমদুনা মহৈরোয় মশিং হেনগৎহনবা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফংনবা হোৎনবা, স্কুল অসিবু হেন্না চাওখৎনবা মোবিলাইজেসন কন্মিতি অথুবদা শেম্বা, স্কুলগী বিল্ডিং মতিক চানা লৈনবা কন্মিতি অমদি ওজাশিংবু মায়কৈদগী হেন্না ফবা মওংদা তাথোক তাশিন তৌমিন্নবা অসিনি।

## GAS NEWS

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto : 17/03/2020
Valid From : 06/03/2020
Home Delivery Only
Timing : 8:00 Am To 12:00 Noon
For Thangmeiband Area Please Contact/Sms/Whatsapp To 8131852580 /9366320643
For Uripok Area Please Contact/Sms/Whatsapp To 6009885600/7085198900
For Others Area Please Contact/ Sms/Whatsapp To 9612009063 /9862792731

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto 20/04/2020
Valid From 01/ 04/2020
***Stk. 306***
(Call Time 08:00 am To 12:00 Noon)
Home Delivery Only
# 93663 51735, 7005633725, 9856704591

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto : 04/05/2020
Valid From : 23/04/2020
Home Delivery No. #9782361951 & M. Booking No. # 9089161416
Cont.Time 8.00am To 11.30am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto : 23/03/2020
Valid From : 17/03/2020
5kg Ujjwala Stock Available
Home Delivery Only
Contact No. Kwakeithel # 6909634960 & 8794191632
Naorem Leikai # 7085732827
Contact Timing : 08.00 To 10.00 am

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto : 10/4/2020
Valid From : 4/4/2020
***Stk: 306***
Timing : 6.00am To 9.00am.
(Home Delivery)
**Contact Nos.**
9774576746/6909963855

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Booking Upto : 19/3/2020
**Booking Sl. No. Upto – 294230**
Valid From : 8/3/2020
Only Home Delivery
Cont. Timing – 10.00 Am To 12noon
# 9862312969 # 8414929709

**KHORIPHABA LPG NAMBOL**
Booking Upto : 20/02/2020
Home Delivery Only
**CONTACT NOS.**
8119038731/9366471778
**FOR BOOKING:**
8837427636/ 8837349474

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | | |
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.937471 |
| US Dollar | 75.580378 |
| British Pound | 93.343723 |
| Australian Dollar | 50.395079 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.592498 |
| Japanese Yen | 0.701181 |
| Malaysian Ringgit | 17.384366 |
| Singapore Dollar | 53.519420 |
| South Korean Won | 0.061374 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.154768 |
| Thai Baht | 2.375573 |
| Myanmar Kyat | 0.05402 |
| Bangladesh Taka | 0.88926 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46612.00 |
| Mumbai | – | Rs | 46958.00 |
| Delhi | – | Rs | 46880.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46801.00 |

## হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

য়াইরিপোক কৈথেলগী অকোয়বা অমদি অনকপা মফমশিংদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টর তাবা লম্বীশিংদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, মৈরা পায়বী, য়াইরিপোক বজার সেনিটেসন কন্মিতি অমদি সোসল ৱার্করশিংনা য়াইরিপোক ফায়র সার্ভিস সব ষ্টেসনগা খুৎশম্নরগা হীদাক কাপথোকখ্রে। হীদাক কাপথোকখিবা অদুদা ৱাই এম সীনা মসিদা চংবা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট অমদি ব্লিচিং পাউদর খুদিংমক পুথোকখি। ৱাই এম সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি দিলিপনা কোভিদ-১৯ ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা ব্লিচিং পাউদর বেগ অমগা মখাই পুথোকখি। ৱাংখেম এ সীগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ইন চার্জ ওইনা থৌ পুরিবা সোসল এক্টিভিষ্ট কামিনি কুমার অমদি জিতেন্দ্র ওইনামদা পোৎলম অদু খুৎশিন্নখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## কোভিদ-১৯ চৈথেং মরক্তা দি পি সী তৌবা য়ারোই : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক্তা ভিদিও কোল্লিংগী খুথাংদা দি পি সী তৌবা য়ারোই। পাঙথোকখিবা দি পি সী অদু চৎনবা য়ারোই হায়না প্রভাপতি কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী অৱাবা চৈথেং মরক্তা মহৈরোয়শিং মহে তম্বা ফংদ্রি। চৈরকসিদা প্রভাপতি কোলেজ ময়াংইম্ফালগী গভর্ণিং বোদিনা থা খরগী মমাঙদা কোলেজ অসিগী অৱাৎপা ওজা কয়া লৌগনি হায়না এদভর্টাইজ তৌখ্রবা মতুং দি পি সী তৌদনা পোষ্টশিং অদুগী ফ্রেস দি পি সী ঙসিদগী ভিদিও কোল্লিংগী খুথাংদা তৌবা হৌরে হায়না তাবদা অঙকপা পোকই।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক মতৌ করম্না ওনলাইন ক্লাস তৌগদগে নত্রগা সজেসনশিং মহৈরোয়শিংদা য়ৌহন্দুনা লাক্কদৌরিবা একজামশিংদা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিং মার্ক ৱাংনা পাস তৌহনগদগে হায়না খন্নবগী মহুৎতা ওজা লৌহৌদবা য়াদে হায়না দি পি সী তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি অথুবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লেপ্পবা হোৎনগদবনি।

পাঙথোকখিবা দি পি সী লৈরবসু চৎনহনবা য়ারোই। কোলেজ অসিগী মহৈরোয় লুপনা কোলেজগী অৱাৎপা পোষ্ট লৌবদা অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। অদুবু কোভিদ-১৯গী লুরবা তানফম অসিদা নত্রবদি ভেকেন্সিশিং মেনখৎনবা তাঞ্জা লৈত্রবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী পুক্নিংদা হংদবা ঙমদে। কোলেজ অসিগী য়ু জি সীগী য়াম্লবা শেনফম কয়া লান্না শীজিন্নখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা কন্না হোৎনদুনা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণিং বোদি অসিগা তক্লদুনা ইনক্বারি কন্মিতি ফাওবা শেমদুনা অশোইবা কয়া অদু থিজিন্দুনা কন্মিতিগী রিপোর্ট ফাওবা ওথোরিটিদা লানখৎখিবা লৈরবনি হায়রি।

## মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপা অসিদা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা ঙসি লমদিং খুমন্থেম লৈকায় অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী মহৈরোয় ৩০ রোমদা লেম্না মাস্ক য়েন্থোকখ্রে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফেস মাস্ক লৈরগা উপ্পা ঙমদবা লাইরবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংদা লৈঙাক্লা লেম্না মাস্ক পীবিয়ু। খুৎ তোইনা হাম্মু হায়না লাউরবসু সাপোন লৈতবদগী খুৎ হামদবা ইমুং কয়াসু লৈরিবনি। খম থেংনা অৱাবা ইমুংনা থেংনরিবা অৱাবশিং মতম চানা য়েংশিনবীয়ু। লোকদাউনগী অৱাবসিদা তঙাইফদনা মতেং পাংবীয়ু। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক তঙাইফদনা ফেস মাস্ক অসি মরু ওইবনা লেৱাগী মায়কৈদগী খুৎশিন্নবনি। অৱাবা ফিভম মায়োক্লরিবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি : এন ইবোহল

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়না লোক জনা শক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী স্পোক্স পার্সন এন ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অমনা হায়, ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীখলদা হৈঙাংদগী বি জে পি টিকেটতা মায় পাক্তুনা কারকখিবা এন বিরেননা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা এন পি এপসু মরু ওইবা মপাং অমা ওইরি। এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ ন্যুমাইবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মরু ওইবা খঙবীদুনা মিনিষ্টরগী ফম অমা পীরকপা অসি অফবা অমনি। চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মরা চেৎশিন্নবগী অচৌবা মরম অমনি। মায়কৈ কয়াদগী ইনশিল্লকপা পোলিটিকেলগী ইথিল কয়াবুসু ইরাই লাইনা ঙাকথোকপা ঙম্লগনি। মসিমক মতিক চাবা লুচিংবা অমগী হৈশিংবা পোলিটিকেলগী খোঙথাং অমনি। অসিগুম্লবা খোঙথাং অসিগীদমক থাগৎলি। শীংথানিংঙাই ওইরবা চীফ মিনিষ্টরগী পোলিটিকেলগী খোঙথাং অসি লোক জনা শক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিয়ননা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা নৌনা মিনিষ্টর ওইদুনা মণিপুর অপুম্বগী মীয়ামগী থবক্তা শরুক য়াগদবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মরু ওইবা মপাং অমা ওইরিবা এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ ন্যুমাইবু লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ফম অমা থিন্দোরকপা অসিনা লৈঙাক অসি হেন্না মরা চেৎশিনবগী মরম ওইরগনি হায়নসু মখা তারি।

## নুপীমচা অমবু মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা পীবা অচুম্বা নত্তে : জোতিন

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

নুপী মচা অমনা সোসল মিদিয়াদা থাংমৈবন্দ এম এল এগী ৱার্কর ওইবা অমা পল্লগা ৱা ঙাংই হায়বগীদমক মীয়াম মমাঙদা চৈ থাংদুনা লাল্লে হায়জহনবা অমদি ইকায়বা পীবা থৌওং অচুম্বা নত্তে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোমনা পাউমীশিংগী মমাঙদা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা জোতিন ৱাইখোমনা হায়খি, ইবুধৌ নাওদিংখোংগী লৌ য়োল্লি-য়োন্দে হায়বগা মরী লৈনবা ৱাফমদা নুপীমচা অদুনা সোসল মিদিয়াদা এম এল এ অমগী ৱার্কর পল্লগা ৱা ঙাংদুনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলি হায়বা ৱাফম অমদা থাংমৈবন্দদগী নুপীমচা অদুবু লাল্লে হায়হনবগা লোয়ননা ইকায়বা পীবা থৌওং অচুম্বা নত্তে। করিগুম্বা ৱাফম অমা ঙাংবদা য়াদে হায়রগদি দেম্মক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈরক্লোই। অকন অরিংশীংবা মওংদা নুপীমচা অদুদা চথখিবা থৌওং অদু পুলিসনচিংবনসু য়েংশিনবিয়ু।

মীয়াম তিনবা মফম অমদা নুপীমচা অদুবু পুথোক্লগা হেক্তা ইকায়বা পীবা থৌওং চথবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। নুপীমচা অদু ৱাখল নুংঙাইতনা লৈখি। থাংমৈবন্দগুম্বা ম্যুনিসিপালটিগী ময়োলদা লৈবা লমদম অমদা অসিগুম্বা থৌওং অমা চথবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতবা অমনি। নুপীমচা অদু মীয়াম মমাঙ অদুদা কৌথোক্লগা নমদুনা লাল্লে হায়জহনবা অমদি অকন অরিংশীংদুনা নুপীমচা অদুদা চথখিবা থৌওং অদুদা নুপীমচা অদু য়াম্না ৱাখল নুংঙাইতনা ইকায়না লৈখি। নুপীমচা অদুনা ইচম চম্না ৱাফম অমা ফোঙদোকচবা অদুনা কয়া য়াম্না কায়রবগে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) : থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা শীন্দুনা ভোলুন্টিয়র ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা পাঙথোকখ্রে হায়না রিমসকী মিদিয়া এদভাইজরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লোকদাউনগী মতম অসিদা ঈগী অৱাৎপা কয়া লৈরে। মসি মেনখৎপা ঙম্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ক্লব অসিগী ভোলুন্টিয়রশিংনা ঈ কৎপীবনি। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কেস ৩ হেনগৎখ্রে, অপূনবা কেস...

*লামায় ১গী মখা...* ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা নৌনা কেস অহুম থেংনখিবা মীওইশিং অসিনা লৈরম্বা মফমশিংদা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মখোয়গা নক্নরম্বশিং মশক খঙদোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। ঙসিগী ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা অপূনবা সেম্পল ৫৮০ টেষ্ট তৌখি। রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল ৪০০ মক নেগেটিভ ওইখি। অদুগা জেনিমসতা সেম্পল ১৮০ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল ২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা য়ুনাইটেদ কোলেজ ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরগী অকোয়বা মফমশিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাংলাতোংবীদা লৈবা হিন্দি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অকোয়বগী মফমশিং কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্কুনা অথিংবা কয়া থমদুনা সীল তৌখ্রে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ষ্টেটস রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মে ৩০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ৬২ শুখ্রে। অদুগা হৌজিক-হৌজিক আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংলিবা এক্টিভ ওইবা কেস মশীংনা ৫৫নি। অদুগা লায়না অসি নারুবদগী ফগৎলক্কুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা কেস মশীংনা ৭নি। হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মীওই ৪৭৬৯ থল্লি। অদুগা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদনা মীওই ১১,৪৪২ থল্লি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## চাইনা অমসুং ইন্দিয়া চাউনা...

*লামায় ১গী মখা...* চথখিবা ওপরেসন্দা ফাগৎখিবনি। হায়রিবা ওপরেসন অদুদা এন এস সী এন-কেগী মকোক থোংবা লুচিংবা ৫ সু ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাখি। হৌজিক-হৌজিক চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা মুক্লবগী ফিভম লাক্লবদা ম্যান্মারনা লৈবাক অনীগী ময়াইদা লেপ্লগা মশাগী খুদোংচাগদবা মওংদা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

## ট্রান্সজেন্দরশিংগী তোঙানবা...

*লামায় ১গীমখা...* দ্রগ য়ুজর্স ওর্গনাইজেসনশিংনা মণিপুরদা লৈবা ষ্ট্রিট দ্রগ য়ুজরশিংবু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লমদম অসিদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা রিহেব সেন্টরশিংদা থমদুনা মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনখিবসু লৈখ্রে।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মপান্দগী মীওই ১৫০০০ রোম হেন্না হল্লকখ্রে। গভর্ণমেন্ট ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মীওই ৪,৪৮৩ অমদি কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা মীওই ১০,৩৭০ রোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরি। মখোয়গী মরক্তা দ্রগ চাবা মীওইশিং য়াওরমগদ্রা হায়না চিংনবা লৈরে। মরম অদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লক্রিঙৈ মমাংদা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নবিদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎপিনবা মীওই খরনা আপিল তৌরক্লি।

## ২০২০ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী...

*লামায় ১গী মখা...* ওইরবা মীওই অয়াম্বা লাইওং উখোরকপা থেংনদে। শুপ্নগী মীওই চাদা মঙাখক লাইওং উখোরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবা থেংনরি।

চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা ইন্দিয়ন ক্রোর ৬৭ লোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা তারবদি মতীক চাবা অনা-লায়েংগী খূদোংচাবা লৈতবনা হেল্থ ক্যের সেক্টরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াই হায়নসু নিমহান্সকী টিম অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স (এম ঈ এ)গী ইমপ্লোয়ী ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মিনিষ্ট্রি অসিদা থবক তৌবা মীওই পূম্নমক নুমীৎ ১৪নি সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌনবা খঙহনখ্রে।

ওফিসল সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মিনিষ্ট্রিগী লিগেল ৱিংদা থবক তৌবা ওফিসর অমা অমসুং সেন্ট্রেল য়ুরোপ দিভিজনদা কন্সল্টেন্ট ওইবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। পাউ অসি হেক খঙনরকপগা সেন্ট্রেল য়ুরোপ দিভিজন অমসুং লিগেল ৱিংদা থবক তৌবা মীওই পূম্নমক তঙাইফদনা চয়োল অনী সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌনবা খঙহনখি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা-হেন্না ৱাংখৎলকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা লোকদাউনগী কাঙলোন নীংথিনা ঙাক্লবা আপিল তৌখ্রে।

চেরোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চথরিবা লাঞ্চং লোইশিনগদবা ৱাৎলি। মীশীং য়াম্বা লৈবাক অসিদা রিছোর্স মরাং কাইনা লৈতবা মরম্না লান্থেং অসিদা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা খূৎশম্নবা তঙাইফদে হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৫,১৮৭ শুরে। লায়না অসিগী অপুনবা কেস মশিং ১,৮১,৮৬৬ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপনা ৮২,৩৬৯নি। মালেমগী ওইনা অপুনবা কেস মশিং ৬০,৮৭,৫০৩ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৩,৬৮,৫৯৩ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপনা ২৬,৯৭,৪৩২নি।

## ফুদ সেফটি এন্দ কমপ্লাইয়েন্স সিষ্টেম লোঞ্চ তৌরগনি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এফ এস এস এ আই)না জুন ১দা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৯দা ফুদ সেফটি এন্দ কমপ্লাইয়েন্স সিষ্টেম কৌবা অনৌবা ওনলাইন প্লেটফোর্ম অমা লোঞ্চ তৌরগনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী এদিস্নেল সেক্রেটরী (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) ঐচ রোসিতানা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না তাঙ্কক কয়া থোক্লা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা ওনলাইন প্লেটফোর্ম অসি লোঞ্চ তৌরগনি। ফুদ বিজিনেস ওপরেটর (এফ বি ও)শিংনা মমাঙদা লৌরম্বা লাইসেন্স অদুদগী হোংদোক হোংজিন তৌরগা অনৌবা লাইসেন্স পীরগনি। হান্নদগী লাইসেন্স পায়রিবা এফ বি ওশিংনা অনৌবা মওং অসিদা হোংদোক্লবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। নৌনা রেজিষ্টার তৌরগা লাইসেন্স লৌনবগী অয়াবসু পীরে। মরী লৈনবশিংনা দেজিগনেটেদ ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট, ফুদ সেফতি ওফিসার নত্রগা এফ এস এস এ আইগী হেল্প লাইনদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়রি।

## কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউন...

*লামায় ১গী মখা...* তৌবা য়ারোই।

জুন ১দগী চৎনগদবা অনৌবা গাইদলাইন অসিদা হান্না থিংলম্বা থবক থৌরম অয়াম্বা কোমথোক্লগনি। অদুমওইনমক মখা তানা অথিংবা থমখিগদবশিংদি ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস, মেট্রো রেল সর্ভিস, সিনেমা হোল, জিম্নাজিয়ম, স্বিমিং পূল, এন্টরটেনমেন্ট পার্ক, ঠিএটর, বার, ওদিটোরিয়ম, এসেম্ব্লি হোল অমদি অতৈ মান্নবা মখলগী মফমশিংনি। কা-হেন্না মী তিনবা থৌরমশিং অমদি সোসল/ পোলিটিকেল/ স্পোর্টস/ এন্টরটেনমেন্ট/ একাদেমিক/ কলচরেল/ রিলিজিয়স ফঙ্কসনশিংসু অথিংবা থমখিগনি হায়রি।

মীপূম খুদিংমক পব্লিক প্লেস, থবক মফম অমদি ট্রান্সপোর্ট সর্ভিসকী গাড়ী তোংবদা ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্কদবনি। দুকানশিংদা পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংবু ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকহনবগা লোয়ননা মতম অমুক্তদা মীওই ৫দগী হেন্না পোৎ লৈবা চঙহল্লোইদবনি।

থবক মফমদা ঙাক্লা চৎকদবা কাঙলোনগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওর্দর অসিনা হায়, য়ারিবমখৈ ময়ূম-ময়ূমদা লৈরগা থবক তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। ওফিস, থবক মফম, দুকান, কৈথেল, লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিএল অমদি কম্মর্সিএল ইষ্টাব্লিশমেন্ট পুম্নমক্তা মতম অমুক্তদা মী পুল্লপ তিলহনবগী মহুৎতা পালি নাইনা মী লাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। চঙফম খূদিংমক্তা থর্মেল স্ক্রেন্নিংগী খূদোংচাবা লৈহনবগা লোয়ননা খূৎ-শা হাম্নবা অমসুং সেনিটাইজেসন তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। থোঙগী খূৎ পায়ফমনচিংবা মীয়াম্না তোয়না শোকপা মফম য়াওনা থবক শুফম পূম্নমক তোয়না সেনিটাইজেসন তৌবা তঙাইফদে। কনাগুম্বনা কাঙলোন অসি ঙাক্তবা তারবদি মরী লৈনবা এক্টকী মতুংইন্না মতীক চাবা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

## জুদিসল ইন্সটিট্যুসন ভর্সেস পুলিস ওফিসর : থৌনাওজম...

*লামায় ১গী মখা...* অমা পাঙথোক্লগা ৱারেপ লৌদুনা টি ঐচ বৃন্দানা জুদিসল ইন্সটিট্যুসনগী ইকাইখুম্নবা মাঙহল্লে হায়রদুনা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মহাকপু ফাননবা অমসুং মখা তানা দেরোগেটরি অমদি কন্টেম্পসস ওইবা ৱাফমশিং সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকহন্দনবগীদমক এস পি/ক্রাইম ব্রাঞ্চতা কমপ্লেন্ট অমা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি য়েংখোম সোমোরজিৎনা ফাইল তৌখিবনি। মসিগী কোপীশিংনা দি জি পি (মণিপুর), হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল অমসুং সেক্রেটরি (লো)দা পীখিবনি।

অদুবু এস পি/সাইবর ক্রাইমদা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংদা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট পিটিসন অনীসি হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অনীমক কোর্টনা লৌশিল্লগা চীফ জষ্টিসকী পর্মিসন লৌরবা মতুংদা হায় কোর্টনা মহাক্কী মথক্তা সু-মোটোদা কেস অসি লৌখৎপনি হায়রি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কেস অসি লৌখৎপগা পন্থদনা কেস অসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎ (জুন ১, ২০২০)দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমদি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চ অমগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

হায় কোর্টনা মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস লৌখৎলকপগা মরী লৈননা ঙসি পাউচে অসিনা জুদিসল ওফিসরস এসোসিএসন অসিগী মেম্বর ওইরিবা সবোর্দিনেট কোর্ট অমগী প্রেসাইদিং ওফিসর অমগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা ফোঙদোরকখিবদা, হায় কোর্টতা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীরক্লবা অইবা চেরোল (পিটিসন) শিং পীশিনখ্রবনিনা লৌখৎপীরক্কদবা থবকশিং অদু ঙাইমিন্নরসি হায়রকখি।

লোয়ননা থৌদোক থোকখিবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস)কী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি)-কম- এদিসনেল গভর্ণমেন্ট এদভোকেট (দিষ্ট্রিক্ট) পু ট্রান্সফর তৌখিবা অদুগী মতাংদা হংবদদি নুমীৎতুদা কোর্ট রূমদা কেস অদুগী প্রোসিদিং চথরিঙৈদা থোকহন্নিংদবা থৌওংশিং থোকহল্লকখিবদু মহাক্কী মায়কৈদগী অশোনবা খরা লৈখিবদগীনি হায়না লৌবদগী মহাকপু ট্রান্সফর তৌবদা য়াওখিবা ওইরমগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, হায় কোর্টনা টি ঐচ বৃন্দাগী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অসিগী ফিভমগী মতাংদা পাউচে অসিনা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী সিনিয়র এদভোকেট অমগা শানখিবা ৱারীদদি কেস অসিনা কোগনাইজেন্স লৌবা নৎত্রগা লৌদবগী মতাংদা শোয়দনা খন্নরগা দিরেক্সন অমা পীরক্কনি হায়না ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিনা খোমজিল্লকপা মখা তাবা রিপোর্টনা হায়বদা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অসি টি ঐচ বৃন্দাবুনা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা পার্টি শেম্লগা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলকপনি। অদুগা এস পি সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনননা কেস অসিগী প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্টনি। মহাকপু ফেসবুক পোষ্টতা কন্টেম্পটসস কম্মেন্টশিং পীনরকখিবশিং প্রোজিক্যুট তৌবা য়ানবা মশক খঙদোক্লবগীদমক প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লকপা ওইগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, টি ঐচ বৃন্দাগী থৌওং অসি ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না থা অসিগী ২৪দা ইমর্জেন্সি মীটিং অমা পাঙথোক্লগা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবনি।